# এন দি এ গভর্ণমেন্ট চহী ৪ মপূং ফারে ইন্দিয়ান ক্রোর ১২৫ না ইন্দিয়াবু হৌজিক্কী অৱাংবা থাক অসিদা পুখৎলকখিবনি ঃ *নরেন্দ্র মোদি*



***ন্যু দিল্লি, মে ২৬ ঃ***
বি জে পি না লুচিংবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট ঙসি থাংজ নুমিত্তা চহী ৪ মপূং ফাখ্রে। ঙসি অয়ূক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী গভর্ণমেন্ট অসিগীদমক পূক্নীং-থৌনা পীরকখিবা খ্বাইদগী চাউবদি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী শৌগৎপিবা অমসুং নুংশিবিবা অদুনি হায়খ্রে।

লৈবাক অসিগী চাউখৎপগী খোঙজেল অসিদা ইন্দিয়ান খুদিংমক শরুক য়ারি হায়বা ৱাফম চেৎনা পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়ান ক্রোর ১২৫ না ইন্দিয়াবু হৌজিক্কী অৱাংবা থাক অসিদা পুখৎলকখিবনি।

অদুবু নাকল অমরোমদা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সন নকশিল্লকপগা লোয়ননা ওপোজিসন কংগ্রেসনা মোদি গভর্ণমেন্টকী চহী ৪ শুরকপগী থৌরম অসিবু বিস্বাসঘাত দিবস হায়বদি থাজবা হাৎপা নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্লি অমসুং লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি বু মখোয়না ভোটরশিংদা শকখিবা ৱাশক ঙাক্তে হায়না মরাল শীরি।

সেন্টরদা লৈরিবা নরেন্দ্র মোদিগী লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টকী চহী ৪ শুরকপা অসি ফাওবদা লৈবাক অসিদা অওনবা পুরক্লিবশিংগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২০ দা নখোয়না ঐখোয়বু গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমহল্লে। ঙসি লৈবাক অসিদা বি জে পি না লেজিসলেটর ১৫০০ লৈরে। ঐখোয় হৌজিক চাওখৎপগী অচুম্বা লম্বীরোমদা মাঙ থানা চৎলি হায়বদু চেৎনা পল্লদুনা ঐখোয়দা অমসুং ঐখোয়গী থবক্তা মীয়াম্না মখোয়গী থাজবা থমহল্লি। ঐখোয়না মীয়ামগী থাজবা অমসুং মেন্দেট ফংবা ঙম্লে হায়খি।

দিল্লিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা সবকা সাথ সবকা বিকাস হায়বা মন্ত্র অসিদা থাজে হায়বসি ঙসি মীয়াম্না থাজরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

ঙসি লৈবাক অসিনা করিগুম্বা অশা অমত্তা লৈরমদবদুদগী হৌজিক্তি অশাগী মঙাল লাক্লে। অরানবা লৈঙাক্তগী অফবা লৈঙাক্তা ওল্লক্লে। ঐখোয়গী লৈবাকপু মাঙলোমদা খোঙজেল য়াংনা চঙশিল্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরুন জেটলিনসু নরেন্দ্র মোদিগী গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা চহী ৪ অসিদা শেঞ্জা-থুমজা অমসুং অরোন-অথুপকী ৱাথোক লৈতবা গভর্ণেন্স অমা পীবা ঙম্লে হায়খি।

'মাই রিফ্লেক্সন্স ওন দ এন দি এ গভর্ণমেন্ট অফ্টর কমপ্লিসন ওফ ফোর এয়ারস ইন পৱার' হায়না মিংথোনবা মাগী ফেসবুক্তা থারকপা ৱারোল অমদা মিনিষ্টর জেটলিনা ফোঙদোকপদা হৌখিবদা লৌখৎপা হৌখিবা থবকশিং অদু অমুক হেন্না চেৎশিনহনবদা গভর্ণমেন্টনা হেন্না পূক্নীং চঙশিল্লগনি হায়খি।

মমাঙদা লৈরম্বা কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এ গী চহী ১০ লৈঙাক অদু লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংখিবা মতূংদগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না অমোৎপা করপ ওইবা গভর্ণমেন্টনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লেজিসলেটিভ অমসুং ইন্সটিট্যুস্নেলগী অহোংবশিং পুরকপগী খুত্থাংদা ট্রান্সপরেন্ট সিষ্টেমশিং লৈহল্লে। মদুনা লৈবাক অসিদা স্কাম লৈতবা গভর্ণেন্স অমা পীরে হায়খি।

নাকল অমরোমদা সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি গী লুচিংবা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লৈরিবা কংগ্রেস পার্টিনা মোদি গভর্ণমেন্টকী চহী ৪ মপূং ফারকপা নুমিৎ অসিবু মীয়ামগী থাজবা হাৎপা নুমিৎ, বিস্বাসঘাত দিবস হায়না থৌরম পাঙথোক্লি।

এদভর্টিজমেন্টশিংদা অঙকপা ফংনা লুপা ক্রোর ৪,৬০০ থাদরবা মতূং ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হৌজিক ফাওবা কেম্পেন চত্থরি। অদুবু মীয়ামগী অৱাবা খঙদে হায়না কংগ্রেস ৱাঙাংলোয় রন্দিপ সুর্জেৱালানা হায়রি।

মোদি গভর্ণমেন্টকী চহী ৪ অসিবু ৱাফম মরিদা ফোঙদোকপা য়াই মদুদি - ট্রিচরি, ট্রিকরি, রিভেঞ্জ অমসুং লাইজ হায়বসিনি। মরম অদুনা ইন্দিয়াবু মীনশ্লে হায়না ৱাঙাংলোয় অসিনা হায়খি।

কংগ্রেস পার্টিনা ঙসি 'বিট্রাইয়েল' হায়না মিংথোনবা বুকলেট অমসু ফোঙদুনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা মরাল কয়া শীখি। কংগ্রেস জেনরেল সেক্রেটরী অভিনাস পান্দেনা বি জে পি লৈঙাক মনুংদা থবক ফংদবগী মশীং হেনগৎলকখ্রে, চহী অমদা থবক ক্রোর অনী হেনগৎহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাশকখ্রবসু মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা ২০১৬-১৭ দা শুপ্নগী থবক লাক্ষ ৪.১৬ খক্তমক ফংহনবা ঙমখি হায়খি। দলিটশিং, মাইনোরিটিশিং অমসুং ট্রাইবেল মীয়ামগী মায়োক্তা মীওৎ মীনৈ চত্থদুনা মখোয়বু লৈতানা লৈবা ঙমহন্দে। লৌমী-শিন্মীশিং, নহাশিং, ললোন-ঈতিক তৌবশিংবু প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং বি জে পি না মিনন্থীরে। লৈঙাক্কী শক্তি পায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়না ৱাশকখিবা পূম্নমক অদু হৌখিবা চহী ৪ গী লৈঙাক্তা থবক অমত্তা পাঙথোক্লক্তে হায়না অভিনাস পান্দেনা পাউমীশিংদা হায়খি।

# য়ু এস-নোর্থ কোরিয়াগী ৱারী অমুকহন্না শান্নরকপা য়াবগী ফিভমবু সাউথ কোরিয়ানা তরাম্না ওকখ্রে

***সিওল, মে ২৬ ঃ***
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াগা সিঙ্গাপুরদা জুন ১২ দা ৱারী শান্নগনি তৌরম্বা অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা খঙহৌদনা কেন্সেল তৌখিবা অদুবু কোন্না ৱারী শান্নবা অদু অমুক পাঙথোক্লবা য়াই হায়বা ইঙ্গিৎ পীরকখিবা অদুবু সাউথ কোরিয়ানা তরাম্না ওকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম থাদোকহন্নবগী মতাংদা মরু ওইনা খন্নগদবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগা ৱারী শান্নগদবগী অশা অমুক নৌহৌননা লাকপসি লাইবক ফবনি। ওইরক্লিবা ফিভম অসি ঐখোয়না কূপ্না য়েংশিল্লি হায়না সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্সিয়েল ব্লু হাউসকী ৱাঙাংলোয় কিম ইয়ু-গিয়োমনা হায়খ্রে।

ৱাসিংটন অমসুং পিওংয়াংগী মরক্তা লৈরম্বা অচৌবা মুক্রুবা অমা লোয়শিন্নবা ৱারী শান্নহনবগী মতাংদা সাউথ কোরিয়ানা কন্না হোৎনখিবনি। অদুবু য়ু এস প্রসিদেন্টনা ৱারী শান্নবা অদু খঙহৌদনা ককথৎখিবদা সাউথ কোরিয়ানা অঙকপা পোকখিবনি।

ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইন অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন গা অনীগী মরক্তা থুনমক উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নবা অদু পানমুঞ্জোম খুঙ্গংগী অৱাং থংবা সাইটতা পাঙথোকখিবনি।

লুচিংবা অনীনা নোর্থ কোরিয়া-য়ু এস সমিট অদু মায় পাক্লা পাঙথোক্লবগীদমক মোত ফোঙদোক্লদুনা খন্নখি হায়না সাউথ কোরিয়া প্রসিদেন্টকী ওফিসনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্তা ৱারী শান্নবা অদুগী মতাংদা ওইরকখিবা ফিভমশিং অদু প্রসিদেন্টনা লাওথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা দোনাল্ড ট্রম্পকী ৱারী শান্নবা তোক্লবা ৱারেপ অদু শগোলশেনগী অথেংবদা শিওল য়ৌরকপদা মহাক্কী নেস্নেল সেক্যুরিটি টিম কৌদুনা খন্নখি। ৱাসিংটন্না খোঙফম হন্দোকখিবা অদুবু থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা অমসুং য়াম্না য়ানিংফম থোক্তবা অমনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা হায়খি।

অদুবু ইরাই নুমিত্তা য়ু এস প্রসিদেন্টনা নোর্থ কোরিয়াগী কিমগা উন্নগদবা অদু অমুক পাঙথোক্লবা য়াই অমসুং মদু সিঙ্গাপোরদা জুন ১২ দা লেপখিবা মতমদুমক্তুদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা মহাক্কী খোঙফম অমুক হঞ্জিল্লকখি।

উন্নবা অদু থবক পুরিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট অমগা নোর্থ কোরিয়াগী লীদর অমগা অনীগী মরক্তা মমাঙদা অমুক্তদা তৌখিদ্রিবা মীফম অমা ওইরগনি। মদুনা নোর্থ কোরিয়াবু মপূংফানা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম থাদোকহল্লগনি হায়না ৱাসিংটননা অশা তৌরি।

পিওংয়াংনা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা ন্যুক্লিয়ার বোম পোকখাইহন্দুনা চাংয়েং তৌখিবা লোয়ননা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলাষ্টিক মিসাইল কয়াবু পরীং নাইনা চাংয়েং পাঙথোক্তুনা হৌখিবা চহীদা কিম অমসুং ট্রম্পকী মরক্তা অকনবা ৱাহৈগী লান অমা থোকখিবনি। মদুগী উংখৎনবা অদু নেমথহন্নবা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা হোৎনখিবনি।



# হান্নগী আর এ দব্লিউ চীফকা লাইরিক অমা ইমিন্নবগীদমক হান্নগী আই এস আই চীফপু পাক আর্মিনা কৌখৎখ্রে

***ইস্লামাবাদ, মে ২৬ ঃ***
ইন্দিয়াগী হান্নগী স্পাই চীফ ওইরম্বা এ এস দুলাটকা লোয়ননা লাইরিক অমা পূন্না ইমিন্নরম্বগী মতাংদা পাকিস্থানগী ইন্টর সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্স (আই এস আই) গী হান্নগী চীফ অসাদ দুরানিবু পাকিস্থানগী শক্তি লৈরবা আর্মিনা কৌখৎখ্রে।

মিলিটরিগী কোদ ওফ কন্দক থুগায়বগী মরাল শীরদুনা হান্নগী আই এস আই চীফ অদুবু য়েক্লবা ইন্দিয়াগী স্পাই চীফকা লাইরিক ইমিন্নবগী মতাংদা শন্দোক্না তাক্লবা পাকিস্থানগী আর্মিনা কৌখৎখিবনি।

পাকিস্থানগী ফোরেন ইন্টিলিজেন্স এজেন্সি ওইরিবা ইন্টর-সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্স (আই এস আই) গী মকোক ওইনা ১৯৯০ দগী ১৯৯২ ফাওবা লেফটিনেল জেনরেল (রিটয়ার) দুরানিনা ইন্দিয়াগী স্পাই চীফ ওইরম্বা এ এস দুলাটকা লোয়ননা 'দ স্পাই ক্রোনিকলস ঃ আর এ দব্লিউ, আই এস আই অমসুং দ ইল্লুজন ওফ পিছ' হায়না কৌবা লাইরিক অসি ইমিন্নবনি। লাইরিক অদু হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা রিলিজ তৌখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা পাকিস্থান আর্মিনা হায়খি মদুদি দুরানিবু মে ২৮ দা জেনরেল হেদক্বার্টরসতা কৌখৎলে অমসুং লাইরিক অদুগী মতাংদা মহাক্না তৌখিবশিংগী মতাংদা শন্দোক্না ফোঙদোক্লবা ৱা হংগনি।

মিলিটরি কোদ ওফ কন্দক থুগায়বনি লৌবা য়াবা খুদিংমক হৌজিক হৌজিক থবক তৌরিবা অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা মিলিটরি পার্সোনেল পূম্নমক্তা তৌদনবা ঙরাং নুমিদাং থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

লাইরিক অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিং অদু খন্ননবা অৱাংবা শক্তি লৈরবা নেস্নেল সেক্যুরিটি কম্মিটি (এন এস সি) গী অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা ফমদগী তাম্থোকখ্রবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সারিফনা ঙরাং দিমান্দ তৌরকখিবগী মতূংদা অসাদ দুরানি আর্মিনা কৌখৎখিবনি।

# বাংলাদেশকী সৈখ হসিনানা টীষ্টাগী মতাংদা ৱা ঙাংখিদ্রে প্রাইম মিনিষ্টর মোদিসু রোহিংয়াগী মতাংদা তুমিন লৈখ্রে

***কোলকটা, মে ২৬ ঃ***
নোবেল লোরেট রবিন্দ্রনাথ টেগোরনা লীংখৎপা ইন্সটিট্যুসন শান্তিনিকেতনদা প্রাইম মিনিষ্টর অনী অমসুং চীফ মিনিষ্টর অমা পূং ৪ ষ্টেজদা পূন্না ফম্মীন্নখ্রে অদুগা অরোয়বদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদনা তুমিন লৈনখ্রে।



বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনানা চহী কয়ামরুম ৱারোয়শিন পুরকপা ঙমদনা লৈরিবা টীষ্টা ৱাতর ট্রেন্টিগী মতাংদা ৱা অমা ফাওবা কাংথোকখিদ্রে। বাংলাদেশতা অৱাং বেঙ্গলগী তুরেল অদুদগী ঈশিং হেন্না পাল্লিবনি। অমরোমদনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মদু পীবা পামদে। মদু পীথোকপনা বেঙ্গলগী ফার্মরশিংদা শোকহনগনি হায়না ট্রিনামুল কংগ্রেস লুচিংবী অসিনা খল্লি।

নরেন্দ্র মোদিনসু মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্লবা মতূংদা বাংলাদেশতা শকখিবা ৱাশক অমা পাঙথোকপা ঙমদ্রি। বাংলাদেশ ভবন শঙ্গাবগা লোয়ননা সৈখ হসিনানা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা, বাংলাদেশ ফাউন্দর মুজিবর রহমন অমসুং অচৌবা কবি অনী টেগোর অমসুং কাজি নজরু ইস্লামদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা হায়খি, ঐখোয়গী লৈবাক অনীনা ঐখোয়গী মরক্তা লৈবা ৱাথোক কয়া অমা শন্তাইনদুনা লোয়শিনখ্রে। য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীনা কুদ্রিঙৈদা সহি তৌনখিবা লেন্দ বাউন্দরি পেক্ট অদুগী মতাংদা পল্লদুনা ৱাথোক খরসু লোয়শিন্নগদবা লৈরি। অদুবু মখোয়বু পুশিল্লক্তুনা ঙসিগী মরু ওইবা থৌরম অসিদা অমকপা পীবা ঐনা পামদে হায়না হসিনানা হায়খি।

রোহিংয়া ৱাথোক্কী মতাংদা বাংলাদেশকী ফনবা মওংদা ইন্দিয়াবু খূৎ থিংজিনবা হসিনানা পাল্লি। বাংলাদেশতা রোহিংয়া লাক্ষ ১১ রোম লৈরি। ঐখোয়গী চেঙ-চাক য়াওনা লৈজরিবা অকক্লবা রিছোর্সশিং পূন্না শরুক য়ামিন্নরি। রোহিংয়াশিংনা লাকপদা ঐখোয়না মখোয়বু চঙজফম পীরি।

হৌজিক ঐখোয়না মখোয়বু মখোয়গী ময়ূমদা অমুক হনহলখিবা পাম্মী। মখোয় হল্লক্লবগী মতাংদা ম্যান্মারনসু খনগদবনি। ঐখোয়গী লৈবাক অনীমক্না মখোয়বু অমুক লৌশিন্নবা ম্যান্মারদা হায়গদবনি হায়না বাংলাদেশ প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

সৈখ হসিনাগী মমাঙদা ৱা ঙাংখিবী বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা টেগোর অমসুং বাংলাদেশ নেস্নেল পোইট কাজিনাজুরগী শৈরেংশিং থিরদুনা হিন্দু অমসুং মুস্লিমশিংগী চপ মান্নবা অদু শৈরেংশিং অদুদা ফোঙদোকখি হায়রি। মমতা বেনর্জিনসু টীষ্টাগী মতাংদা ৱা মচেৎ অমত্তা পনখিদে।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনসু টীষ্টা অমসুং রোহিংয়া ৱাথোকশিংগী মতাংদা পনখিদে হায়রি।

# কুম্মানাম রাজাসেখরনবু মিজোরামগী গভর্ণর হাপখ্রে

***আইজোল, মে ২৬ ঃ***
আর এস এস কা মতম শাংনদগী লোয়নরক্লবা বি জে পি লুচিংবা কুম্মানাম রাজাসেখরনবু প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা ঙরাং মিজোরামগী গভর্ণর হাপখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

হৌজিক মিজোরামগী গভর্ণর ওইরিবা লেফটনেল জেনরেল (রিটয়ার্দ) নিরভৈ শর্ম্মনা মে ২৮ দা মহাক্কী মতম লোয়রবা তুংদা মহাক্কী মহুৎ রাজাসেখরন্না শিলহৌগনি। মশাগী চহী ৬৫ শুরবা রাজাসেখরন্না রাষ্ট্রিয়া স্বয়ম সেবক সংঘ (আর এস এস) কী প্রচারক ওইনবগীদমক মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী থবক থাদোকখিবনি। ২০১৫ দা মহাকপু ষ্টেট বি জে পি চীফ ওইনা হাপখি। নুমিৎসি মক্তদা গনেসি লাল কৌবা বি জে পি গী অতোপ্পা লুচিংবা অমসু ওরিস্যাগী গভর্ণর ওইনা প্রসিদেন্টনা হাপখ্রে।

# পাকিষ্টান্না শেন পুখবা মেনখৎনবা চিনাদগী লোনশিং লৌগদৌরি

***ইস্লামাবাদ, মে ২৬ ঃ***
শেন থুমগী ঙাক্লৌ পীনবগীদমক পাকিষ্টান্না বৈজিংদা মতেং নীজবা হেল্লকপগী খুদম অমদা লৈবাক অসিনা বেলেন্স ওফ পেমেন্টস ক্রাইসিস মায়োক্লনবা দোলর বিলিয়ন ১-২ গী অনৌবা চাইনিজ লোনশিং ফংনবা হোৎনরি হায়না গভর্ণমেন্টকী লীখুনসিনা ফোঙদোরক্লি।

জুনদা লোয়শিনগদৌরিবা ফিস্কেল ইয়ারদা চিনা অমসুং মসিগী বেঙ্কশিংনা পাকিষ্টান্দা পীরিবা শেনফম দোলর বিলিয়ন ৫ য়ৌরে। ৱাফমসি পাউগী এজেন্সি রোইটরসনা রিভ্যু তৌখিবা পাকিষ্টান ফাইনান্স মিনিষ্ট্রি দটা অমসুং ওফিসিয়েলশিংনা হন্দক ফোঙদোরকখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অফবা মরী লৈনরম্বা অদু ককথৎখিবগী তুংদা পাকিষ্টান্না শেনগী অৱাবা মায়োক্লরকপদগী চিনারোমদগী লোন লৌনবা হোৎনবা হেল্লকখিবনি। পাকিষ্টানবু গ্লোবেল টেররদা শেন থাদে হায়বা ৱাসিংটন্না উৎলকপদগী ফেব্রুৱারী থাদা ইস্লামাবাদপু শাওহনখি। হৌজিক ফংনবা হোৎনরিবা অনৌবা চাইনিজ লোনশিং অসিনা য়াম্না থুনা ময়েং তারক্লিবা পাকিষ্টানগী ফোরেন করেন্সি রিজার্ব অদু ফগৎহনবা ঙমগনি।

মে ২০১৭ দা পাকিষ্টানগী ফোরেন করেন্সি রিজার্ব দোলর বিলিয়ন ১৬.৬ ওইরম্বদগী হৌখিবা চয়োলদা দোলর বিলিয়ন ১০.৩ দা নেমথরকখি।

চাইনিজ কমর্সিয়েল বেঙ্কশিংগী গ্রুপ অমনা এপ্রিল থাদা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টতা দোলর বিলিয়ন অমগী শেনফম লোন পীরকখিবগী মতূং চয়োল খরসিদা অনৌবা লোনশিং লৌনবগী ৱারী শান্নখিবনি।

পাকিষ্টানগী করেন্ট একাউন্ট দিফিসিট হেন্না চাওথোরক্লিবা অমসুং ফোরেন করেন্সি রিজার্ব ময়েং তাথরক্লিবা অসিনা জুলাই থাদা পাঙথোক্লবা য়ারিবা জেনরেল ইলেক্সনগী মতূংদা ইস্লামাবাদনা ২০১৩ গী মতূংদা অনীরক শুবা ওইনা ইন্টর্নেস্নেল মোনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) কী মতেং মথৌ তারবা য়াই হায়না ফাইনান্সিয়েল এনালিষ্ট কয়া অমনা ৱামাং য়াল্লি। আই এন এফ কী তেংবাং অদু দোলর বিলিয়ন ৬.৭ গীনি।

# সেক্যুরিটি ফোর্সতা এম্বুস তৌদুনা লান্মী অনী হাৎখিবদা চেন্নবা আই এম লীদর অরুনাচলদা হাৎখ্রে

***ইটানগর, মে ২৬ ঃ***
অরুনাচল প্রদেসকী লোন্দিং দিষ্ট্রিক্তকী নিগ্রু খুঙ্গংদা ঙরাং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পনগাং গংশা কৌবা এন এস সি এন (আই এম) গী মশানা মশাবু সার্জেন্টনি হায়জবা মীওই অমা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মীওই অসি ২০১৬ কী দিসেম্বর ১৬ তা খুঙ্গং অসিমক্তদা সেক্যুরিটি ফোর্সতা এম্বুস তৌদুনা লান্মী অনী হাৎখিবা অদুদা চেন্নবনি হায়রি।

দিফেন্স পি আর ও (কোহিমা) কর্নেল সি কোনৱারনা ফোঙদোকপদা নিগ্রু খুঙ্গং মনাক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সনা চত্থবা অচৌবা ওপরেসন অমদা এন এস সি এন (আই এম) গী হার্দকোর কাদর অমা হাৎখ্রে। মহাক হান্না এন এস সি এন (কে) দা য়াওরম্বনি। খা থংবা অরুনাচল প্রদেশতা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ঙাক্তুনা থম্নবা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মখা তানা ওপরেসনশিং চত্থরক্লি হায়না দিফেন্স পি আর ও অসিনা হায়খি।

দিফেন্স পি আর ও অসিনা মখা তানা ঙরাং চত্থখিবা ওপরেসন অদুগী মতাংদা পাউদম অদুনা হায়খি, খুঙ্গং অদুগী মনাক্তা লালহৌবা লূপ অদুগী মীওইশিং লৈরে হায়বা অকক্লবা ইন্টিলিজেন্সকী পাউ অমা ফংবদগী পাউ অদুগী য়ূম্ফমদা সেক্যুরিটি ফোর্সকী খোন্সা বাটালিয়ান্না মে ২৫ গী নুংথিলদা ওপরেসন চত্থখিবনি।

লালহৌবা মীওইশিং অদুনা লৈ হায়না চিংনবা য়ূম অমা তম্না সেক্যুরিটি ফোর্সনা চঙশিনবদা য়ূম অদুগী মপানদা লেপ্তুনা লৈরম্বা মিলিটেন্ট অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মহাক্না মহাক্কী অতৈ কাদরশিং অদুদসু মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখিনবা লাওখি। অনীশুবা মিলিটেন্ট অমসু খাংপোকশঙ অদুদগী থোক্লক্লগা সেক্যুরিটি ফোর্স তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপা হৌখি। সেক্যুরিটি ফোর্সনসু খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখি অমসুং চেল্লিবা কাদরশিং অদুগী মনুংদগী অমা কাপ্তুনা হাৎখি। অতোপ্পশিং অদুদি অশুকপা জঙ্গল অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে।

হাৎলবা এন এস সি এন (আই এম) কাদর অদুদগী মরুগা কোন্নবা পিষ্টোন অমা, গ্রেনেদ খরা অমসুং অতৈ মরু ওইবা পোৎ কয়া ফংখি। পাউ অসি পীরকপা মতম অদু ফাওবদা মফম অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নাম্থোক্তুনা চেনখিবা মিলিটেন্টশিং অদু থিবা হুম্বগী থবক চত্থরি হায়না দিফেন্স ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি।


RST Resonant Tutorials
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET(UG)-2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Special features:
- Free studentship for meritorious and position holders of Class X & XII.
- Separate section for purely english medium.
- Special fee concession for high scorer in NEET Exam-2018 but not get seat for Medical Course (MBBS/BDS).
- NCERT based study materials from MTG-Book Publication.
- Motivation & Interaction Programme with renowned Doctors.
- Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.


## GAS TODAY

**Canchi Indane Service**
Booking : 26/04/18
Valid :20/04/18
Stk : 306/19 kg 60
Rate : Rs. 761.50/-
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 19/04/18
Sl. No. 215655
Valid : 13/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 23/04/18
Valid : 17/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 16/04/18
Valid : 13/04/18
Sl. No. 5051 to 5480
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 27/05/18
Valid : 25/05/18
Sl. No. 16345 upto 16587
Stk : 250
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**সনা-সুদোকু -১১৭৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | 9 | 6 | 7 | 8 | 4 | 5 | 1 |
| 1 | 8 | 7 | 5 | 2 | 4 | 6 | 3 | 9 |
| 5 | 6 | 4 | 9 | 1 | 3 | 7 | 8 | 2 |
| 8 | 4 | 5 | 7 | 3 | 9 | 1 | 2 | 6 |
| 7 | 3 | 1 | 2 | 6 | 5 | 8 | 9 | 4 |
| 6 | 9 | 2 | 8 | 4 | 1 | 3 | 7 | 5 |
| 4 | 5 | 8 | 1 | 9 | 7 | 2 | 6 | 3 |
| 2 | 7 | 3 | 4 | 5 | 6 | 9 | 1 | 8 |
| 9 | 1 | 6 | 3 | 8 | 2 | 5 | 4 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1179**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | | | 9 | | | 7 | |
| 5 | 8 | 9 | | | 4 | | | |
| | 3 | | 6 | | 2 | | | |
| | | | | | | | 3 | |
| | | 5 | | | 8 | | 9 | |
| 6 | | 7 | | | | | 1 | |
| | 4 | | | | | | | 8 |
| | | | 4 | 8 | | 3 | | |
| 2 | | | 7 | 1 | | 9 | | |